## এডিটোরিয়েল

# স্বাইদা লাওবনদি কান্নগদবা মান্দে

*উখ্রুলদা হন্দক চীফ মিনিষ্টর অমদি মহাক্কী মিনিষ্টরিয়েল টিম অমগী খোঙচৎতা মীয়াম্না কন্না থিংবদগী খোঙচৎ অদু মহৈ য়ান্দ্রবা অমা হায়বদু ওইরে। মসিদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মশা-মশাগী ওইবা পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরকপসি কদাইদনো অমা পোলিটিক্সকা হেক্তা মরী লৈনরকপদৌনা উই। উখ্রুলগী মীয়াম্না পেন্দ্রিবনা বীল অদু পারে নৎত্রগা পাদে হায়বা অসিনা নাকলদা থম্লগা মণিপুর লৈঙাক্লা পাস তৌখিবা আই এল পি গা মরী লৈনবা বীল অদু "এন্টি ত্রাইবেল ওইবা বীলসি হায়বসিমগা ইরোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মিংচনবগী মতাংদা ত্রাইবেলশিংগী রিজার্বেসন হান্না চৎনরম্বা মওংদুদা কায়দনা থম্মু হায়বগী ৱাফমশিংদা চয়েৎনবা অমা লৈরিবদুনি। হান্না প্লানগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং শানবা পান্দম থমখিবসি বেদ ৫০ লৈবা হোস্পিটালশিংনি অদুবু অনৌবা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী শেন্থং ফংলগদবনা হোস্পিটালশিং অসি ফমুং ১০০ লৈবা ওইনা ওন্থোক্লগনি হায়বগী থাজবা অমা ষ্টেটকী লৈঙাক্লা পীখ্রবা মতুং অতোপ্পা ফমুং ৫০ চনগদবা বিল্ডিং অমা অমুক শাগৎপনি। শাবা লোয়রবা ফমুং ৫০ গী হোস্পিটাল অদুগা লোয়ননা পৱারগী সব-ষ্টেসন, এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসশিং শঙ্গারম্মগে, থবক হৌহল্লগে হায়বগী পান্দমদা চৎখিবা খোঙচৎনি হায়বসি পূন্নমক্লা খঙনা-খঙনা মীয়াম্না থীংলিবগী মরমবু লৈরমগনি। মশাগী অপাম্বশিং অদুদগী থৈদোক্লগা শঙ্গাখ্রবা মতুংদগীদি শাবা হৌরিবা বিল্ডিংদু লোয়শিল্লরোই অদুনা পুন্না লোয়রগা শঙ্গাবীয়ু হায়বনি হায়বরোমদা পুথোকপনি। মদুসু পোলিটিক্সকা মরী লৈনদে হায়বা য়ারোই। বীল পাস তৌখিবগী মতাংদা মচু শংজিন্দুনা বীল পাস তৌবা য়াওখিবা এম এল এ পূন্নমক চীংগী লমদা বোইকোট তৌই হায়বসি য়াম্না হকচিনবা ৱাফম অমা ওইনা লৌফম থোকই। মসিনা তাক্লিবদি চীংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরশিংদফাওবা মণিপুরগী লৈঙাক চৎনদে অমসুং লো এন্দ ওর্দরসু মণিপুর হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদদি চৎনদে হায়বদু তাকপনি। আইন শেম্লিবা লেজিসলেটরশিং ফাওবা বোইকোট তৌরবনিনা মণিপুর পুলিসনসু মফমদুদা করিসু তৌবা ঙমদে, খুঞ্জাশিংগী য়াথংনা লৈঙাক মপুগী য়াথংদগীসু লুম্না লৌই হায়বসিদি লৈঙাক মপুগী খোঙচৎতা ঙাক-শেন্নবা থাখিবা সিক্যুরিটি পার্সোনেলশিংনা মথৌ পাঙথোকপা ঙমখিদবদুনসু তাকচরবনি। খুঞ্জাশিংগী লূচিংবনসু সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টতা ওইরিবা পূন্নমকসি খঙহল্লগনি হায়রি, মণিপুরদা লৈরিবা নেস্নেল পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লূচিংবশিংনসু নেস্নেল লীদরশিংদা খঙহল্লগনি হায়রি। মসিমক থবক্তা ওন্থোক্লবদি অথুবদা পাউখুম অমা এক্সন ওইনা লৌরকপসু য়াই। এম য়ু গী ভিসিগী ৱাথোক ওইরম্বা প্রোব্লেম অদু ঙরাংমক অনৌবা ভি সি অমা সেন্তরদগী হাপ্লকখিবা অসিসু মণিপুর লৈঙাক্লা মনা লৌবা য়াগনি নিংদে, মসিগী মনা ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস বোদিশিংনা লৌখিনি। মখোয়দি স্বাইদা লাওবা কান্নদে হায়বা খঙবনা ৱারোল খুদিংমক সেন্তরদা লৈরিবা মরী লৈনবা পূন্নমক্তা খঙহন্নবা হোৎনৈ। মদুগী মতৌ অদু ঙসিগী লৈঙাক্লোইশিং, ইকজিক্যুটিবশিং অমদি লূপশিংনা তম্বগী মথৌ তারবনি।*

*মীখল নকশিল্লকপগী পোলিটিকেল ৱার ওইনা পংঙাং ঙাং-শকপনদি কান্নররোই। মফম চাবদা মতম চানা ৱাকৎফম থোকপদু ৱাকৎতুনা মরম চানা সোল্লুসন অমা পুরকহৌনবা হোৎনবগী খ্বাইদগী লুরবা তানফম অমা ওইরবনি। নাগালেণ্ড চীফ মিনিষ্টরনা হন্দক সেনাপতিদা লাক্লম্বদুদা কামশিল্লম্বা হু গী চৈথেং ফংবা হৌবতা ঙাইরিবনি। মীখলদা ভোট মশিং য়াম্না ফংনবা হোৎনবগী মহুত্তা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা হোৎনবনা চুমগনি। উখ্রুলগী থৌদোক অসি অচম্বা ইনক্বাইরি অমনা পার্সোনেল খরা সস্পেন্দ তৌরগা লোইশিনবগী মহুত্তা চপ চাবা ৱায়েল তৌদুনা ওইরক্লিবা লো এন্দ ওর্দর লৈতবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী ফিভমসি লাকশিনহৌবগী মথৌ তায়। মদুনা মরম ওইরগা মহৌশাগী অপুনবা শক্তম অদু পুরক্লবা হোৎনবা ঙমগনি।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# করি আশা তৌনিঙাই লৈরি

***ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,***

*চহী ১৫ চুপ্পা লৈঙাক সাসন পুরকপদা প্রজাশিংগী পুক্নিং পেলহনবা ঙমদবা হায়বসিদি পাল্লিবা সরকারদুদা তাইনবা নত্তনা অতৈ কনাদসু তাইনবা য়াফম থোক্তে। তার্ম অমদা ঙমহৌদ্রবসু মথংগী তার্মদা ঙম্নবা হোৎনগে খন্দ্রবা লৈঙাকপশিংদা ঙসিদি খম থেংনা পেন্নরক্ত্রিবসি মরম য়াম্না লৈরে হায়বা তাই। থোইনা হেন্না পল্লুদ্রবসু প্রজানা পীবা শক্তিদুবু প্রজাদা ওনশিন্দুনা নৈরকপা হায়বসিমদি য়াম্নমক তৌহৈদবা থৌওংনি। দিমোক্রেসিগী লৈবাক অমদবু প্রজানা অপাম পামদা ফোঙদোকচনবগী মফম খরদং থম্বীদবগী মওংদা ঙসিদি লৈঙাক্কা প্রজাগগী মরক্তা ঈশিংগা থাউগা তিন্নবা য়াদবগুম্বগী ফিভম লাক্লিবসি য়াম্না লাইবক থীবা ঙক্লিঙাইসু ওইবা য়াবা লমদমসিগী পোলিটিকেল সিচুয়েসন্নী হায়নিংই।*

*তশেংনা অহুমশুবা তার্ম লোয়গদবা নুমিৎ মশীং খরনিদা ঙাইশিল্লক্লবসিদা সাসন চুপ্লী পায়রীবা লৈঙাকপশিংসু য়াম্না মোৎপা রাজনিতি শান্নবা হৌরকপগুম উনরক্লিবসি তশেংনা সুংতৌ তৌরোইদবা রাজনিতিগী থৌওং অমা ওইহনগদবনি। মেরিৎ-দিমেরিৎ নিংথিনা খঙলবা লৈঙাক লূচিংবশিংগী ৱাখলনা করিবু খন্দুনা প্রজাশিংগী অপাম্বা নাথৈরগা থম্রীবনো। রাজনিতিগী লম্বেল থুপচিল্লিগে খনবমক লৈরবসু অশেংবা ফিদম অমা থম্লম্বগী মহুত্তা মতম শাংনা লৈবাক্কী সেবা তৌজরম্মী হায়বফাওবা কাওহন্নবা ৱাখল খনফদে হায়জনিংই। দর্তি পোলিতিক্সকী ৱাহম্থোক ফজবা নত্তবনিনা কৈদৌঙৈদসু মরী শম্নবীদবা ফৈ।*

*ঙসিদি মরিপুর মৈ হৌনা চাক্লবা লমদম হায়বদু ওইরে। কনবীনবসু লৈতে, চেনফমসু লৈরোই, কমদৌনি? চীংদসু, তমদসু পেন্নদবগী খোল্লাওনা নীল্লক্লিবসি খুদক্তগী হৌরকপা খোল্লাও নত্তে। খঙদে করি আশা তৌনিঙাইবু লৈরি। আশাগী মঙাল ফংদ্রবদা পেন্দবগী অকনবা খোল্লাও লাওরকপদি মরাল পীরুবসু ঙম্লোয়।*

**অদোমগী**
**বি সি খুমন**
**ইম্ফাল**

# মণিপুরগী ফীভমদা মখ্যাৎ মুবী হরাই থরাক থাবা

*বীজয়া, জেনিতা অমদি জমস, (কাও) মণিপুর*

হৱাই থরাক অসি ভারতকী ওইনা রবি ঋতুদা থাবা কানরবা হৱাইগী মহৈ মরোংনি। মসিনা লাইরবশিংগী ওইনা লাইনা ফংবা ঙম্বা প্রোতিন ৱাংনা য়াওবা নিরামিস চাবা মীওইশিংগী চিঞ্জাক্নি। হৱাইশিং অসিদা প্রোতিন ৱাংনা য়াওবা অমসুং থুনা তুম্বা পোৎশক্নিনা চাবা ফংদবদগী থোক্লকপা মালন্যুত্রিসনগী অৱাবা চৈথেংদগী কনবা ঙম্মী। হৱাইদগী য়াওবা প্রোতিন অসিনা শাদা য়াওবা প্রোতিন্দগী হেন্না হোংবা মরম্না চাউখৎলক্লিবা ভারতকুম্বা লৈবাক্তদি মসিবু লাইরবগী শা হায়দুনা পাম্না চানৈ। হৱাই হায়বা চিঞ্জাক অসিগী তোপ তোপ্পা মফম লৈবনিনা লৈবাক অসিগী লৌউ-শিংউবগী শেনমিৎলোন্দা মফম য়াম্না কল্লি, মসিগী অতোপ্পা মরমদি লৈবাক্তা য়াওবা বেক্তরিয়া রাইজেবিয়মগা তোৎশিন্নরগা পাম্বী অসিগী মরাশিংনা নুংশিত্তগী নাইট্রোজেন চুপশিনবা ঙম্মী। পাম্বীশিং অদুনা মশাগী ওক্লবা নাইট্রোজেনগী দরকার ওইবা চাং অদু ফংবতা নত্তনা থারক্কদৌবা পাম্বীশিংগীদমক্তসু মখোয়না লৈবাক্তা নাইট্রোজেন অসি তুংশিন্দুনা থম্বী। থরাক য়ানবা পাম্বীশিং অমসুং মসিগী মরাদা য়াওবা নোদ্যুল বেক্তরিয়াগা তিন্নরগা ফংহল্লকপা নাইট্রোজেনগী চাং অসি অতৈ অতৈনা ফাজিন্দুনা থম্বা নাইট্রোজেনগী চাংগা চাংদম্নবদা চাউরাক্লা চাদা ৮০ রোম ওইগনি। মণিপুরদা হৱাই থরাক মখ্যাৎ মুবী অসি নিংথমথাদা থাই। লৌমীশিংনা অশঙবা থরাক অসি কেজি অমদা লুপা ৮০-১০০ ফাওবগী য়োনবা মতমদা অকংবা মরুনা কেজি অমদা লুপা ১৫০-১৮০ ফাওবা য়োল্লি। মরম অদুনা লৌমীশিংনা অফবা শেন্দোং ফংই।

**শীজিন্নফম**

মণিপুরদা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী মখ্যাৎ মুবী মখলগী হৱাই থরাক অসি চানবা মনা মশিংগী চিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নে অদুগা মপুং ফারবা মরুশিং অদুনা হৱাই মখল অমা ওইনা শীজিন্নে। অশংবা অমসুং অনৌবা মপাম্বীনা মনা মশিংগী য়েনশাং অমদি শীংজুদা শীজিন্নে। থরাক অদু থোংলগা নৎত্রগা ফুৎলগসু চানৈ। খাউদোক্লবা মতুংদা অকংবা পাম্বীশিং অদু মৈ থাদোক্লগা উৎ ওইনা লৌই। হায়রিবা উৎ অদু ঈশিংদা তুমহল্লগা শেংনা অপাবা খুদে অমদা অসি দিগ্রী ১৩-১৮°C নি। অশাবা অদুনা দিগ্রী ২৯-৩০°C য়ৌরক্লবদি মসি হৌদে। পাম্বী অসি লৈঙোই হাইফেৎ য়াওবা, শিলট লোম নৎত্রগা লৈতাল হাইফেৎ য়াওবা মফমদা থাবা য়াই।



চুমথোক্লগা মণিপুরীশিংগী হাওরবা চিঞ্জাক উতি অদু থোংবদা শীজিন্নে। অদুবু হৌজিক্তি মীওই অয়াম্বনা হৱাই থরাক মরী মৈ থাদোক্লগা ঈশিংদা য়ানশিন্নরগা চুমথোক্লবা মহী অদুনা উতি থোংবদা শীজিন্নরম্বদু সোদিয়ম বাইকার্বোনেৎ ওইনা শীজিন্নরে।

**অইং অশা**

হৱাই থাবগী অচাবা অইং অশাগী চাং লৈবাক অদু মতিক চানা ঈশিং চেন্থবা মফমদা থাগদবনি, ঈশিং তুংবা মফমদা থারোইদবনি। কা হেন্না ঈশিং মনিল য়াওবা লৈবাক্তী পাম্বী অসিদা অমাঙবা ওই। অচাবা pH দি ৬-৭-৫ ফাওবনি।

**হার**

থরাক পানবা পাম্বী ওইবা মরম্না নাইট্রোজেনগী হার অদুক য়াম্না দরকার ওইদে।



হেক্তর অমদা টোন ২০ গী কম্পোস্ত নৎত্রগা FYM পাম্বী মরু হুন্দ্রিঙৈদা নাইট্রোজেন কেজি ২৫-৩০, ফোসফোরস ৪০ কেজি অমসুং ৬০ কেজিগী পোতাসিয়ম হাপ্লগা চাইথোক্লগা লৌফম অদু নীংথিনা খোইদোক্কদবনি। চাউরাক্লা কেজি ১০ গী নাইট্রোজেন হেক্তর অমদা হাপ্তুনা থরাক অদুনা মপাল শারকপা মতমদা তোপ দ্রেশিং (অরোইবা হার হাপ্পা) তৌবিগনি।

**ঈশিং লৌখোং**

মরু হুনগদৌবা নুমিৎ ২-৩ গী মমাঙদা থাফম অদু ঈশিং পানা চনবিগনি নৎত্রগা চাইথোক্কনি মতোল চোংলকপদা চংগদৌবা ঈশিংগী অমদি ঈশিং মনিলগী চাং অদু হাইফেৎ মতিক চারবা মতমদতদা মরু হুনবিগনি। মরু হুনখ্রবা মতুংদা ঈশিং অমুক থাজিনবা অমদি চাইবা তৌরোইদৌবনি, মদুম তৌরবদি চোংলকপদা অকাইবা ওইরকপা য়াই। ঈশিং থাজিনবা অসি মতোল চোংখ্রবা মতুং নুমিৎ ১৫ শুরবা মতমদা তৌগনি, অদুদগী নুমিৎ ১০-১৫ নি কান্নরগা মফম অদুগী ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম য়েঙলগা ঈশিং থাজিনগনি।

**পাম্বী মরক্তা অতৈ পাম্বী**

পাম্বীনা হৌরকপা মতম অদুৱাইদা য়াম্না তপ্না মখোং শোম্বীবা অমদি হাবেংবা দরকার ওই অদু নৎত্রবদি অতৈ অতৈ পাম্বীশিংনা থরাক হৌবদা অকাইবা পীরক্কনি। মহৌশানা খুৎনা হাবেংবা নৎত্রগা খুৎলায়গী পাম্বৈ শীজিন্নদুনা হাবেংনৈ।

**স্টেকিং চৈয়ুংবা**

হৱাই থরাক পাম্বী অসি য়াম্না থুনা চাউগনবা মরি হাইফেৎ চৎপা মপাঙ্গল শোনবা পাম্বী অমনি। অদুনা ষ্টেকিং হায়বদি চৈ য়ুংদুনা থম্লগা মদুনা থরাক পাম্বী অদু তুহন্দনবা ঙাকপা য়াম্না দরকার ওই। ষ্টেকিং অসি ৱাচেৎ নৎত্রগা লংনা তৌবসু য়াই। লং শীজিন্নরগা ষ্টেকিং তৌবা হায়বদি হৱাই থরাক পাম্বী অদু তুহন্দনা থম্বদা লৌমীশিংদা পৈশা ইতিং তিংহন্দনা খরচ তৌবগী চাং হন্থহল্লি।

**পোথোক**

মখ্যাৎ মুবী হৱাই থরাক মখল অসি হেক্তর অমদা টোন ১৫-২০ ফাওবা থোকই হায়বদি চাথোক লৈ।

# হৈপাল লৈপালগী চারা শেম্বা (রোজ বদ্দিং)

**এনজি এন সিংহ**

চারা শেম্বগী ফরবা উপাই ওইরিবা বদ্দিং নত্রগা গ্রাফটিং তৌবদা পাম্বী অনি অনি



চংই। লৈপাক্কা শম্নরিবা মতেক অদুনা 'রুট ষ্টোক' কৌই। মপাল শাগদৌরিবা মতোল লোমগী শরুক অদুবুনা 'শাইওন' কৌই। অনি অদু শমজিন্নরগা পাম্বী অমত্তা ওইনা হিংহনগদৌরিবনি। শাইওনদা মমিৎ অমদগী হেন্না য়াওরক্লবদি গ্রাফটিং কৌই। আটরগুলাবকী চারা শেম্বদদি 'শাইওন' দা মমিৎ অমত্তমক য়াওই। মসিবু বদ্দিং কৌই।

গুলাবগী চারা শেম্বদা নাতোন চাবী পাম্বীনা রুট ষ্টোক ওইনৈ। মরমদি মসি গুলাবকা নক্লবা ধারানি। লমদমসিগী ঈশিং-নুংশিৎতা মশা ফনা হৌবা ঙমই। নাতোনচাবীগী অনৌবা নত্তবা, পেন্সিলদগী খরা হেন্না চাওবা মশাশিং ইঞ্চি ৮ মুক শাংনা কক্লগা পৈনা-পৈনা য়ুংদুনা কোলোম শেম্মী। কোলোমশিং অদুনা হৌরক্তুনা পেন্সিলমুক চাওনা মশা পাল্লক্লবদি মশাদুনা নৌরিঙৈদা বদ্দিং তৌবগী মতাং চপ চারে। হায়রিবা নাতোনচাবী পাম্বীসিনা হয়েং তুংদা হৌরক্কদৌরিবা গুলাব পাম্বীদুগী মখোঙগী শরুক ওইহৌগদৌরিবনি। মসিবু রুট ষ্টোক হায়না খঙনৈ।

নাতোন চাবী (রুট ষ্টোক) দা নপশিল্লগদৌরিবা, হয়েং তুংদা মতোনগী শরুক ওইরগদৌরিবা, মচেৎ অদুনা শাইওন কৌই। রুট ষ্টোক্তা নপ্লগদৌরিবা মমিৎ অদু নত্তনা অতৈ মমিৎ অমত্তা চোংহল্লোইদৌবনি। মহাক্তনা তুংগী পাম্বী ওইহৌগদৌরিবনি। শাইওনগী অতৈ শরুক মচেৎ অমত্তা য়াওহন্দনা মমিৎ অদুখক্তমক কোৎলগা শেম্বা ওইরবদি 'আই (মিৎ) বদ্দিং' কৌই। মসিদগী (T) বদ্দিং। শিল্ড (চুঙ্গোয়) বদ্দিংনা শোয়দবনা হেল্লি। লৈমন চনখিবদা ঙায়রিবা গুলাপকী মখোক্লোমদা হঙ্গৎনা থীবদা অহুম শুবগী অদুৱাইদা লৈবা পোমথোকপদা ঙায়রিবা মমিৎ অদুনা চপ চারবা শাইওনগী শাইজনি।

T / শিল্ড বদ্দিংঃ- রুট ষ্টোক ওইগদৌরিবা নাতোনচাবীগী পাম্বীদুগী নৌনা ইনখৎলক্লিবা ফজরবা মশা অমা খল্লো। লৈপাক্তগী ইঞ্চি মরি মঙা ৱাংবা মফমদা গুলাপকী মমিৎ (শাইওন) অদু নপশিল্লগদৌরিবনি। মফম অদুদা পাল্লম্বা নাতোনচাবীগী মনা অমদি তিংখংনচিংবা পুম্বা শেংনা লৌথোকপীরো। মখোঙ অমদি মতোল্লোমদা পানবা মনা অমসুং তিংখংনচিংবদি অদুম লৈজবদা কায়দে। তিংখং য়াওদ্রবা মশা অদুদি খুজিলথাং নত্রগা হৈজ্রাংগুম্বা অমদি শিজিন্নদুনা মকু অদু 'T' মওংদা ককথৎপীয়ু। মনুংগী উগী শরুক অদুদি শোকহনবা য়াদে। উ অমসুং মকুগী মরক্তা লৈরিবা মপ্রাম অদুসু য়াওনা কক্কদবনি। 'T' মওংদা ককপা মরম্না মকু মচেৎ অনিদি খুজিলথাং মনিংগুম্বনা হাইদোকপদা শোয়দনা য়াগনি। নৌরিবা উ শাদনা নুংঙাইবসু হেনগনি। মকুদা য়াৎলিবা 'T' দুগী অশাংবদু ইঞ্চি অমরোম ওইগনি।

**অপাম্বা**

গুলাপ পাম্বীদগী লৌরকপা পীক্লিবা মমিৎ অমা য়াওবা (শাইওন) ওইগদৌরিবা মচেৎ অদুসু ইঞ্চি অমরোম শাংগদবনি। মমিৎলোম থংবা নাকলদু উ য়াওনা মচেৎ অমা খায়দুনা লৌগনি। মচেৎ অদুগী মতোন মচিন্দি তুবৎ কক্কনি। মখোক্লোম থংবা মচিন্না নাক য়েৎতগী হুইজিন্দুনা তুমহনগনি। পুন্না য়েংবদা চুঙ্গোই (শিল্ড) মওং মানগনি। মমিৎকা লোয়নরিবা মনাদু মখোক তেন্না খাক্লগা ককথৎকনি। মমিৎ য়াওবা মকুদা নপ্লিবা উচেৎতু তপ্না লৌথোকখিগনি। মচিন তুম্বা নাকনদগী হৌনা শেত্তোকপনা হেন্না নুংঙাইগনি।

হৌজিক মমিৎ য়াওরবা মকু অদু নাতোনচাবীদা 'T' মওংদা য়াৎখিবা মকুদু হাইগৎলগা উচন-চানা থিংজিনখিগনি। নাক-য়েৎতগী মকু শিংদুনা খুমজিল্লকপদা মমিৎ অদুদি লিংথোকহনগনি। সেঃ মিঃ ১ পাকপা, ৪৫ মুক শাংবা পোলিথিন পেপর অমনা ঈশিং-নুংশিৎ চঙদনবা মমিৎতু খাক্লগা য়েৎশিনগনি। নুমিৎ মরি মঙানিগী মতুংদা নাতোন চাবী মশাদুগী মতোন অদু মমিৎকী মথক্তা মনা ৩ খাক্লগা ককথৎকনি। নুমিৎ অসিগী মতুংদগীদি পাম্বীদুদা চোংলকপা মমিৎ খুদিংমক কোৎথোক্তুনা গুলাপকী মমিৎ অদুদমক খাক্কদবনি। নাতোনচাবীগী মমিৎ অতৈ চোংবগী তাঞ্জা ফংহনদ্রবদি গুলাপকী মমিৎ অদু য়াম্না থুনা লিংখৎলক্তুনা ফজরবা মশা ওইরক্লগনি। য়েৎলম্বা পোলিথিনদু লৌথোক্তুনা চৈঙাক অমদা অনৌবা মশাদু মতম খরদংগী পুনশিনবীরো। মশাদুনা থুনমক মপাম্বী ওন্দুনা ফজরবা গুলাপ অমা অদোমদা খুদোল তম্লক্কনি। বদ্দিং তৌখিবা মফমদুদি লৈপাক্লা ফুমজিনবা য়াদে কাওবীগনু।

